ভাবোক য়াওদনা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লবা হোৎনরি : হাসিমোটো

টোকিও, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

চহী ১ য়েথোরক্লবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস ভাবোক য়াওদনা পাঙথোক্লনবা কন্না হোৎনরি হায়না গেমস অসিগী প্রসিদেন্ট সৈকো হাসিমোটোনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না মতম লেপ্লল্লবা মতুং কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী ১ য়েথোরক্লবা ওলিম্পিক গেমস অসি চৎলিবা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী হৌরগা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না মতম লেপ্লিবা অসি ভাবোক য়াওদনা মালেমগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নবগী কুম্মৈ অসি পাঙথোক্লনবা অকনবা মওংদা শেম শারি হায়না পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ওলিম্পিক গেমস অসিগী প্রসিদেন্ট সৈকো হাসিমোটোনা ফোঙদোকখিবনি।

মমাংদসু ওলিম্পিয়ন অমা ওইরম্লবী হাসিমোটোনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, গেমস অসি করিগুম্বা ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী শরুক য়াবা লাক্কদৌরিবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী এথলিটশিং অমদি জপানদা লৈরিবা মীওইশিংবু হৌজিক মখা তানা মালেমদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্লবদি টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি শুংশোয় শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

পনবা য়াই, গেমস অসি ওর্গনাইজর খক্তা নৎতনা জপান লৈঙাক অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলগী অপূনবা ৱারেপ অমগী মতুংইন্না গেমস অসিবু মীৎয়েং তাবা লাক্কনি তৌরম্বা জপান ৱাংমগী ভাবোকশিং চঙলকপদা অথিংবা থমখ্রবনি। মসিগী মথক্তা জপানদা লৈরিবা মফম অদুগী ভাবোকশিংনা গেমস অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং শান্নফমদা মীৎয়েং তাবা য়াগদ্রা নৎত্রগা য়ারোইদ্রা হায়বগী ৱারেপ লৌনবা হোৎনবদা জুন থা ফাওবা মতম লৌখি।

হৌজিক জপান অমদি লৈবাক অদুগী ওলিম্পিক গেমস শান্নফম ওইরিবা টোকিও সিটি অমদি অকোয়বা সিটিশিংদা লৈরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনৌবা চৈথেং অসি য়েংলুরগা গেমস অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা জপান লৈবাক্কী ওইরবসু ভাবোক অমত্তা য়াওদনা পাঙথোক্লবা হোৎনবগী লম্বৈলসু থিরি হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, জপানগী মীয়াম্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসি তোকথোকপা নৎত্রগনা মখা তানা য়েথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হৌজিক-হৌজিক টোকিও য়াওনা অকোয়বদা লৈরিবা সিটি অহুম ষ্টেট ওফ ইমজেন্সি লাউথোক্তুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনদুনা লৈরি। ভাবোকশিং য়াওদ্রবদি কোভিদ-১৯ লান্থেংনরিবা হেল্থ সিষ্টমগী মায়কৈদা মখোয়গী থবক থৌরমশিংদা প্রেসর হন্থবগী মমি তারি।

মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা রোমাবু সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগ ৬-২দা থোইখ্রে, ইংলেন্দগী অর্সনেল স্পেনগী ভিল্লারিয়ালগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

মেঞ্চেষ্টর/ভিল্লারিয়াল, এপ্রিল৩০ (এজেন্সী):

য়ুরোপকী ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচশিংদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ইটালিগী ক্লব রোমাবু পাঞ্জল ৬-২দা চাওনা থোইবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা স্পেনগী ফুটবোল ক্লব ভিল্লারিয়ালগী মখূৎতা ইংলেন্দগী অর্সনেল পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

মেঞ্চেষ্টরগী সিটিদা লৈবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী হোমগ্রাউন্দ ওল্ড ট্রাফোর্দতা ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অদুগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ য়ূম্ন্ন ক্লব অদুগী মায়কৈদগী ইদিন্সন কবানিনা পীরকপা বোলদা টিমমেট ব্রুনো ফর্নান্দেজনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মতম ইকান কান্নদনা রোমাগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা টিম অদুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি অমা এল পেলেগ্রিনিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মখা তানা লম্বা মান্নখি। শান্নবগী পুংখায় হৌজিল্লক্লবা ৩৪শুবা মিনটতা রোমাগী মায়কৈদগী পেলেগ্রিনিনা সপ্লাই তৌরকখিবা বোল অমদা ইদিন জেকোনা পাঞ্জল ১ চল্লগা মখোয়না মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অহানবা পাঞ্জল চনববদা কম্বিনেসন ওইখিবা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পীরকপা বোলদা ইদিন্সন কবানিনা ইক্বেলাইজর চল্লগা ২-২দা লৈনখি। মেটচকী মখা চথরকপা ৬৪শুবা মিনটতা ইদিন্সন কবানিনা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদুগী মতুং মিনট ৭ লৈরগা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ৪-২দা রোমাবু হেন্দুনা লৈখিবা অদু ইটালিগী ক্লব অদুগী মায়কৈদগী মখা তাবা শান্নবা লোইশিনবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদে। মদুগী মরক্তা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা ব্রুনো ফর্নান্দেজকী বোলদা পোল পোগবানা টিমগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং মিনট ১১ লৈরগা কবানিনা সপ্লাই তৌরকখিবা বোলদা টিমমেট মেসন গ্রিনরুদনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা রোমাবু মখোয়না ৬-২দা থোইখি।

ঙরাং য়ুরোপা লীগকী অনীশুবা সেমীফাইনেলগী অহানবা লেগতা স্পেনগী ক্লব ভিল্লারিয়াললা য়ূম্ন্ন ওইদুনা ইংলেন্দগী ক্লব অর্সনেলগা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা ভিল্লারিয়ালগী মায়কৈদগী অর্সনেলগী শান্নরোয়শিং অদুবু খূদুম চনবা ঙমদুনা পুংখায় ফাদ্রিঙৈদা পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখি। শান্নবগী শুপ্নগী ৫শুবা মিনটতা ভিল্লারিয়ালগী চুকৱেজিনা পীরকপা বোলদা এম ট্রিগেরোজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা ভিল্লারিয়ালগী অতোপ্পা এটেক অমদা জেরাদ মোরিনোনা খায়দোরকপা বোলদা ভিল্লারিয়ালগী রাউল অলবিওলনা টিম অদুগী ২শুবা পাঞ্জল চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

ইংলেন্দগী ক্লব অর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ শোথদুনা লৈরিবা অদু হন্দোক্লনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকপদা শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা টিম অদুগী দেনিএল সেবালোজ য়েল্লো কার্দ অনীরক ফংদুনা রেফরি অদুনা মেটচ অদুদগী তান্থোকখি। শান্নবগী ৭৩শুবা মিনটতা অর্সনেলগী মায়কৈদগী শান্নরোয় ১ ৱাৎলবসু টিমগী এটেক অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি অদু নিকোলাস পেপেনা চল্লগা ১-২দা মেটচ অদু মখোয় মায়থীবা নংখি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিংনা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িংগীদমক বলগেরিয়া য়ৌরগনি

কোলকাটা, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

মে থাগী ৬তগীনা ৯ ফাওবা বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়াদা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড ওলিম্পিক গেমস রেষ্টলিং ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর ১২ ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা বলগেরিয়া য়ৌরগনি।

রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইরিবা বিনোদ টোমারনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী রেষ্টলিং টিম অদু বলগেরিয়াগী কোনুং সোফিয়া য়ৌনবা হোৎনবদা নেদরলেন্দস সিটি অর্মষ্টরদম ফাওরগা চৎকদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা নেদরলেন্দস লৈঙাক্না ইন্দিয়াদগী লাক্কদবা ফ্লাইট খূদিংমক হৌজিক লৈবাক অসিনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং কা-হেন্না হেনগৎলকপা মরম্না অথিংবা থম্লকপনি।

ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সতা রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্রিজ ভুষননা নেদরলেন্দস অমসুং ফ্রেঞ্চ এম্বেসিগা ৱারী শানরবা মতুং লৈবাকশিং অদুনা ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদুখক লাকপা য়াবগী অয়াবা পীরকপদগী ইন্দিয়াগী রেষ্টলরশিং অদু ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা পুং ৪৮গী চয়েৎনবা লৈরুরবা মতুং পেরিস সিটি ফাওরগা সোফিয়া য়ৌরগনি হায়রি।

জর্মনিগী অলেজেন্দর জ্বেরেভ বি এম দব্লিয়ু ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

ম্যুনিক, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

জর্মনিগী সিটি ম্যুনিকতা লৈবা এম টি টি সী ইফিটোস টেন্নিস সেন্টরদা এপ্রিল ২৬তগী চথরকপা ১০৫রক শুরবা য়ুরো ৪৮১,২৭০গী শেলগী মনা লৈবা বি এম দব্লিয়ু ওপন মীয়াম্না ম্যুনিক ওপন হায়নসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইখিবা জর্মনিগী অলেজেন্দর জ্বেরেভ ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেলারুসকী শান্নরোয় ইলিয়া ইভাস্কাগী মখূৎতা মায়থীহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা জর্মনিগী শান্নরোয় অলেজেন্দর জ্বেরেভ অমদি বেলারুসকী শান্নরোয় ইলিয়া ইভাস্কাগা লম্বা তৌনরকপদা অহানবা সেট অদু পাঙ্গল মান্নখিবদগী টাই ব্রেক ফাওবা য়ৌরম্লগা জ্বেরেভনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা সেট অদুদা ইভাস্কাগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না অদু উৎলকপা ঙমখিবনা পোইন্ট ৫-৫দা মান্নদুনা লৈরম্বদগী মহাক্না জ্বেরেভপু ৭-৫দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা মায় পাকপগী লম্বৈলদা খোঙ থাংজিনখি।

মেটচ অদুগী সেট অমমম্ থোইনরবা মতুং অহুমশুবা সেটতা বেলারুসকী ইভাস্কাগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্না ঁউথোকপা ঙল্লকপদগী অলেজেন্দর জ্বেরেভকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

মহাক্না সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা সর্বিয়াগী ফ্রান্ট ক্রাইজিনোবিচপু ৬-৪, ৪-৬, ৭-৬ (৭-৩)দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্টুপনি।

ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা নোরৱেগী সী রুট অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী জেন মিলমেন থেংনগনি। অদুগা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেলদনা জের্জিয়াগী এন বাসিলাসভিলি অমদি স্লোভাকিয়াগী এন গোম্বোসনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ নেদরলেন্দসকী ৱেস্লি কুলহোব অমদি জর্মনিগী কেভিন ক্রাৱিচকী প্যেরনা বেলজিয়মগী প্যের সেন্দর গাইল অমসুং জোরান ভ্লৈজেনগী প্যেরগা থেংনরগনি। নেদরলেন্দ অমসুং জর্মনিগী প্যের অদুনা মখোয়গী সেমীফাইনেল রাউন্দ অদু ৱাকওভর ফংখিবনি। অদুগা বেলজিয়মগী গাইলস অমসুং ভ্লৈজেননা জর্মনিগী প্যের দি ব্রাউন অমদি পি গোজোচিকপু ৬-৩, ৬-৭ (২-৭), ১৩-১১দা মায়থীবা পীরম্বনি।

দব্লিয়ু বি সী ইন্দিয়া চেম্পিয়নশিপ কোভিদনা মরম ওইদুনা য়েথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

পঞ্জাবকী সিটি জলনধরদা হয়েং ৱর্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিল (দব্লিয়ু বি সী) ইন্দিয়া চেম্পিয়নশিপকী ওইবা বাউট অমা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী ওইবা ফাইট অমা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা য়েথোক্লে হায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর চান্দরি মেহরা অমসুং সুমন কুমারীনা জলনধর সিটিদা দব্লিয়ু বি সীগী বাউট অদু হয়েং থেংননবা শেম শারম্বনি। বাউট অদুগী ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না বাউট অদুগী প্রমোসন কম্পনি ওইরিবা এল জেদ প্রমোসন্সনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী অনৌবা কেস মশীং কয়া অমা হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা বাউট অদু য়েথোকপনি হায়রি।

ইন্দিয়ন বোক্সিং কাউন্সিলনা অয়াবা পীদুনা লৈবাক অসিদা দব্লিয়ু বি সী ইন্দিয়া চেম্পিয়নশিপ ইভেন্ট অসিগী অনৌবা মতম মখা তানা লৈরিবা ফীভম অসি য়েংলগা লাউথোক্লগনি হায়না এল জেদ প্রমোসন্স অমদি দব্লিয়ু বি সীগী মায়কৈদগী সী ঈ ও ওইরিবা পরম গোরায়ানা ফোঙদোরকখ্রে। দব্লিয়ু বি সী অসি মালেমগী মকোক থোংবা লূপ মরিগী মনুংদা প্রোফেসনেল বোক্সিং পাঙথোকপা য়াবগী খূদোংচাবা ফংলিবা লূপ অমনি।

টি-২০ মেন্স ৱর্ল্ড কপ ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু কোভিদ-১৯গী ফীভম লুশিল্লক্লবদি য়ু এ ঈদা হোংবা য়ানা লৈরি

মুম্বাই, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

চৎলিবা চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮দগীনা নবেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়ানা য়ূম্ন্ন ওইরগা টি-২০ মেন্স ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী য়ূম্ন্ন ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসি হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেসশিং হেনগৎলকপা অসিগী চাং হন্থহন্দুনা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা য়ূম্ন্ন ওইনবা শেম শারগনি হায়না বি সী সী আই (বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া)না য়ু এ ঈবু বেকঅপ ওইনা থমখ্রে।

শগোলশেন নুমীৎতা ইন্দিয়াদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং ৩,৭৯,২৫৭ রিপোর্ট তৌখি। অদুগা নুমীৎ অদুদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীওই মশীং ৩৬৪৫ ওইখি।

বি সী সী আইগী মায়কৈদগী গেম দিভলপমেন্টগী জেনরেল মেনেজর ওইরিবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগীসু দিরেক্টর ওইরিবা ধিরজ মলহোট্রানা মালেমগী মমিং লৈরবা বি বি সী (বৃটিশ ব্রোদকাষ্টিং কোর্পোরেসন)গা ৱারী শানবদা হৌজিক লৈরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরিবা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ মেন্স ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি মমাং চহীগী ওক্টোবর ১৮দগী নবেম্বর ২১ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্ন্ন ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু চহী অদুগী ওইবা কোভিদ-১৯গী অকনবা চৈথেংনা ৱর্ল্ড কপ অদু য়েথোক্লগা ইন্দিয়ানা চহী অসিগী ওক্টোবরদা য়ূম্ন্ন ওইগনি হায়না মতম লেপ্লখিবনি।

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী হৌজিক ওইরিবা মালেমগী কোভিদ-১৯গী হেনগৎলক্লিবা চৈথেং অসিগী য়েংলগা টি-২০ ৱর্ল্ড কপ অসি পাঙথোকপা মতমদা ইন্দিয়াদা হৌজিক মায়োক্লরিবা ফীভম অসি লাকশিনবা ঙমদ্রবদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী য়ূম্ন্ন ওইখিবা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মশিং অদুদা পাঙথোক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়না বি সী সী আইগী মলহোট্রানা মখা তাখি। থা ৬ ৱাৎলিবা মরম্না ফীভম ফগৎলক্লবদি পাঙথোকপা য়ানসু লৈরি। অদুবু জুন থাদা আই সী সীগী মীফম্না অরোইবা ৱারেপ লৌগদৌরি।

বেঙ্গলুরু এফ সীগী টিমনা এ এফ সী কপ প্লে ওফ মেটচ অদু এপ্রিল ২৮দগী য়েথোক্লগা মে ১১দা শান্নরগনি হায়না মতম লেপখ্রে

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা ক্লব অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরু এফ সীনা এপ্রিল ২৮দা এ এফ সী কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্লে ওফ মেটচ অমা শান্নগনি হায়না মতম লেপ্লম্বা অদু হৌজিক ইন্দিয়াদা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ৱেভ অসিনা মরম ওইদুনা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং কা-হেন্না হেনগৎলকপা অসিদগী মে ১১দা গ্রুপ দিগী মেটচ অদু শান্নরগনি।

বেঙ্গলুরু এফ সীনা মালদিভসতা চৎতুনা মে ১১দা এ এফ সী কপ অসিগী গ্রুপ দিগী মেটচ অদু মালদিভসকী টিম অমা ওইরিবা ক্লব ইগলসকা শান্নগদৌরি। এ এফ সীগী সব কম্মিটিনা ৱারেপ লৌখিবগী মতুংইন্না প্লে ওফকী শান্নগদবা মেটচশিং অদু মালদিভসকী ক্লব ইগলসতা খূৎশিন্নখি। ৱাফম অসি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী ওইবা ঙসি পীথোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লকপনি।

পনবা য়াবদি, বেঙ্গলুরু এফ সীনা বাংলাদেশ প্রেমিয়র লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা অবাহানি অমদি মালদিভসকী ক্লব ইগলসকা শান্নবা মেটচ অদুগী অথোইবা মেটচকা শান্নগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু বাংলাদেশতা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন থম্লকপা অমদি চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা লৈরকপা অদুনা মরম ওইরগা এ এফ সী কপকী প্লে ওফ মেটচশিং অদুদগী ৱিদ্রো তৌখিবনি।

এ এফ সীনা মখা তাবা চেরোল অমগী মতুংইন্না ম্যান্মারগী ফুটবোল ক্লব ওইরিবা হন্থৱাদ্দে য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং সান য়ুনাইটেদ এফ সীনা এ এফ সী কপ অমদি এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগতগী ৱিদ্রো তৌরে হায়বা অদুসু অয়াবা পীখি। কুমজা ২০২১গী এ এফ সী কপ কম্পিটিসনশিংগী লেপখিবা মতম অদু নৌহৌননা শেমদোক্লবা মতুং মখা তানা শান্নবা য়ানবগী লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা এ এফ সীনা ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইংলিশ ফুটবোলনা হৌরক্তুনা ওনলাইনদা এব্যুজ তৌরকপগী মায়োক্তা সোসল মীদিয়া বোইকোট তৌবদা শরুক য়ারগনি : হেমিল্টন

লন্দন, এপ্রিল ৩০ (এজেন্সী):

ফোর্মুলা ৱান কার লমজেলগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা ইংলিশ মচা লেৱিশ হেমিল্টননা ইংলিশ ফুটবোল, ক্রিকেট, রগবি, টেন্নিস ক্লবশিং, শান্নরোয়শিং অমদি তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা ওনলাইন এব্যুজ তৌরকপা সোসল মীদিয়া বোইকোট তৌবগী খোঙজং অদুদা মহাকসু শৌগৎলগনি হায়খ্রে।

ইন্সটাগ্রাম সোসল মীদিয়াদা ফোলোৱর মিলিয়ন ২২ লৈরিবা অমদি ত্বিটর সোসল মীদিয়াদা ফোলোৱর মিলিয়ন ৬.৩ লৈরিবা লেৱিশ হেমিল্টননা ফোঙদোরকখিবদা, মঙোন্দসু ওনলাইনদা চৈ-ঙাংদুনা উশিং থওইদবা উৎপা তাঙ্কক কয়া থেংনখ্রে হায়রি। হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা ইংলেন্দদা লৈবা প্রোফেসনেল ফুটবোলরস এসোসিএসন, এন্টি রেসিদেন্ট কেম্প্যেন চথরিবা দি কিক্ ইট আউট লূপ অমদি ফুটবোল সপোর্টরস এসোসিএসননা সোসল মীদিয়াদা শান্নরোয়শিংগী মথক্তা এব্যুজ তৌরকপগী মায়োক্তা বোইকোটকী খোঙজং অসি হৌরকখিবনি। খোঙজং অসিগী মতাংদা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগী শান্নরোয়শিং ট্রেন্ট অলেকজেন্দর, নবিকৈতা অমদি সাদিও মানে লোয়ননা এষ্টন ভিল্লাগী টাইরোন মিংসতসু সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা মখোয়বু হন্থনা য়েংবগী ৱারোল অমদি মান্নবা ৱারোলশিং থাগৎলকপদগী লূপশিং অসিনা সোসল মীদিয়াবু বোইকোট তৌবা হৌরকপনি।

ইংলেন্দগী ফুটবোল লূপশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা প্রেমিয়র লীগকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা নুমীৎ ৪নিগী ওইবা সোসল মীদিয়াবু বোইকোট তৌবগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি। খোঙথাং অসি ফুটবোল খক্তা নৎতনা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংগী মথক্তা চথরক্লিবা হন্থবা মীৎয়েংগী ওইবা ৱারোলশিং, জাৎ-কুচু খেন্নবগী মতাংদা অমদি মান্নবা মওংদা হন্থনা হুনবগী ৱারোলশিং থাগৎপা লেপত্রিবা ফাওবা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমীৎকী নোংয়াইদা বোইকোট অসি চথগনি হায়রি।

ꯄꯦꯟꯁꯟ ꯂꯣꯟ
PENSION LOAN

☞ Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।
☞ থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।
☞ Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com